## অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭
## এন এফ সি অমদি ৱাই এস এম সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ
পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ঙরাংদগী হৌদুনা পুঙদোংবমদা লৈবা লল্লাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙথোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এন এফ সি সৈজাংনা সি ৱাই এফ সি চিঙ্খুবু ৪–৩ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই এস এম সি তাঙ্খম্না ৱাই এফ সি বু ৩–২ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেটচ ওইনা সি ৱাই এফ সি গা এন এস সি গা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা এন এফ সি না সি ৱাই এফ সি বু ৪–৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।

এন ৱাই এফ সি গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী অপীবা মতমগী মনুং দা মিনট ৪৩, ৫৬ অমদি ৬০ দা টিম অসিগী ও প্রবিন্না গোল ৩ চনখি অদুগা ৪ শুবা গোল অদুনা মিনট ৫২ চৎপা মতমদা জিতেন্না চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা সি ৱাই এফ সি গী গোলশিং মেটচ অদুগী মিনট ২ চৎপা মতমদা কে প্রিয়াবাটতনা গোল ১ অদুগা মিনট ৩১ অমদি ৩৬ চৎপা মতমদা এন হেমোঙোনা গোল ২ চনখিবনি।


অতোপ্পা ৯শুবা মেটচ ওইনা ৱাই এম সি হরাওরৌগা ৱাই এস এম সি তাংখমগা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই এস এফ সি না ৩–২ দা থোইখিবনি।

ৱাই এস এম সি গী গোলশিং মেটচ অদুগী মিনট ১৪ চৎপা মতমদা এল শমুনা গোল ১, মিনট ৩৭ তা ঐচ সুরজনা গোল ১ অমদি মিনট ৪৯ দা এন থোইনা গোল ১ চনখিবনি।

মায়থিহৌরবা ৱাই এম সি গী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ৩৬ চৎপা মতমদা বিক্তৃরনা গোল ১ অমদি মিনট ৫৯ দা অবিনাসনা গোল ১ চনখিবনি।

## ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগকী ১১ শুবা লীগ মেটচতা কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা কিঙস এলেভেন পঞ্জবপু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে



*বোল ৪৯ দা ফোর ১১ য়ৈরগা আউত ওইদনা রন ৭২ লৌখিবা গৌতম গম্ভির*

*কোলকাতা,এপ্রিল ১৩ঃ*
কোলকাতা নাইট রাইদর্সকী কেপ্টেন গৌতম গম্ভিরনা আউত ওইদনা রন ৭২ লৌখিবা পার্ফোমেন্সনা কিঙস এলেভেন পঞ্জাবপু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি কোলকাতাদা শান্নখিবা ভিভো ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগ সিজন ১০ গী ১১ শুবা মেটচতা কিঙস এলেভেন পঞ্জাবকা য়ুম্বু ওইখিবা কোলকাতা নাইট রাইদর্সকা শান্নবদা গৌতম গম্ভিরনা তোচ ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি।

কোলকাতা নাইট রাইদর্সকী বোল্লরশিংগী য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্সতা কিঙস এলেভেন পঞ্জাবকী মাইকৈদগী ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৭০ খক লৌখি।

টিম অদুগী ইন্নিংস হসিম অম্লা অমসুং মনন বোরানা হৌদোরকখি। মখোয় অনীনা য়াম্না ফজবা মওংদা অহানবা ওভর ৫ অদুদা রন ৫০ হেন্দুনা য়াম্না অচৌবা স্কোর অমা লৌবগী লম্বেল শেমখি। অদুবু বোল ১৯ দা রন ২৮ লৌরম্লগা বোরা চৌরানা আউত তাহনখিবদগী টিম অদুগী মখা তাবা পার্টনর্সিপ অচৌবা অমত্তা শেম্বা ঙমখিদে। কোলকাতাগী বোল্লর উমেস যাদবনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি।

রন ১৭১ মায় পাকপগী টারগেট অদু কোলকাতা নাইট রাইদর্সনা ১৭শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট অনীখক তুদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

কোলকাতাগী সুনিল নরেন অমসুং গৌতম গম্ভিরনা ইন্নিংস হৌরকখি। ওভর ৫ দা রন ৭০ হেন্না লৌদুনা য়াম্না ফজবা রন লৌরকপদগী ওভর ১৭ শুরকপদা রন ১৭১ লৌদুনা মায় পাকখিবনি। কেপ্টেন গম্ভির আউত ওইদনা রন ৭২ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন ওইখি।

## জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর বি সি রোই ত্রোফি ২০১৬–১৭ দা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ
এপ্রিল ২২ দগী মে ৪ ফাওবা ওরিসাগী কট্টক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর বি সি ত্রোফি ২০১৬–১৭ টাইয়র –২ দা শরুক য়াদবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং খনখ্রে।

খনখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা ইম্ফাল ৱেষ্ট (দি এফ এ) দগী দব্লিউ প্রেমচান্দ সিংহ, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী ঐচ অরজুন সিংহ অমসুং দি এফ এ থৌবালদগী এস কেনেদি সিংহ নি।

দিফেন্দরদা ইম্ফাল ৱেষ্ট (দি এফ এ) দগী ই সগিট সিংহ অমদি এম অমবেদকর সিংহ নি। দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী এস ঐচ মনিখোম্বা অমদি পি বিক্রম সিংহ অমসুং দি এফ এ থৌবালগী সি ঐচ প্রেম সিংহ নি।

মিদ–ফিল্ডরদা দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী এস কফোই সিংহ , পি রোহিট সিংহ অমদি ফিফানন্দানি।

ইম্ফাল ইষ্ট (দি এফ এ) দগী পি রেনেদি সিংহ অমদি সকিপ সহানি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট (দি এফ এ) দগী ৱাই বোবোসানা সিংহ অমদি কে ঐচ প্রবিন সিংহ নি।

ফোরৱার্দতা ইম্ফাল ইষ্ট (দি এফ এ) দগী এন জি নাওচা, ইম্ফা ৱেষ্ট (দি এফ এ) দগী এন সুরাজ সিংহ, দি এস এ বিষ্ণুপুরদগী এল জোসিদাস সিংহঅমদি এস মেক্স সিংহ নি।

খনগৎলবা শান্নরোইশিংনা মখা তাবা ত্রেনিংগীদমক লাক্লিবা ১৫ গী অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্কী অর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## আই পি এস স্কুলদা সুট্টিং রেঞ্জ অমা হাংদোকখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ
ইম্ফাল পব্লিক হায়র সেকেন্দরী স্কুল (আই পি এস) গী স্পোর্টস দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা কঞ্চিপুরদা লৈবা স্কুল অসিগী কেম্পস্তা জুপিটর সুট্টিং রেঞ্জ হায়না মিংথোনবা সুট্টিং মশান্নগী মফম অমা হাংদোকখ্রে।

হাংদোকপগী থৌরম অদুদা আই এফ সি দি, মণিপুর গভর্নমেন্ট পালিয়ামেন্টরী সেক্রেটরী এল রমেশ্বর, আই পি এস স্কুলগী এদভাইজর এল ভুবোন, ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনগী চিফ এদভাইজর এন তোম্বা, ওন্নরি সেক্রেটরী (এন আর এ আই) অমদি সেনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট (এম আর এ) এম রচন্দ্রা, আই এস এস এফ জুরি অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট (এম আর এ) এন ইন্দ্রজিট অমদি আই পি এস স্কুল কঞ্চিপুরগী প্রিন্সিপালসু ওইরিবা আই পি এস, কে এফ সি অমদি জে এস আর গী ফাউন্দর এ কেনেদিনা দাইস মেম্বর ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা সুট্টিং রেঞ্জ অদু হাংদোকখি।

## অহানবা টি বি এস এফ এ ভেটরান কপ
## এফ সি ইম্ফালনা ভি বি এফ এ এম বু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ঃ
মমাং থা মার্চ ১৮দগী হৌদুনা তাওবুংখোক্তা লৈবা টি ঐচ বিরচন্দ্রা সিংহ ফুটবোল একাদেমীগী গ্রাউন্দা চথরকখিবা অহানবা টি বি এস এফ এ ভেটরান কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ সি ইম্ফাল, ময়াইকোইবীনা ভি বি এফ এ এম কৈশম্পাৎপু ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি এফ সি ইম্ফালনা ভি বি এফ এ এম গা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা খর হৈশিংবা হেনখিবা এফ সি ইম্ফালগী এল সুরচন্দ্রনা মেটচ অদুগী অপীবা মতমগী মিনট ১৯ চৎপা মতমদা গোল ১ চনশিনখি।

ভি পি এফ এ এম মাইকৈদগী গোল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনখি। অদুবু এফ সি ইম্ফালনা মেটচ অদুগী মিনট ৪৬ চৎপা মতমদা টিম অসিগী টি ঐচ কিঞ্চনা গোল ১, মিনট ৫১ দা এন সুবোলনা গোল ১ অমদি মিনট ৫৬ তা এন ইতোচানা গোল ১ গা চনশিনখি।

ভি বি এফ এ এম গী মাইকৈদগী গোলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনবরসু মেটচ অদুগী অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মায়থিখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা ভি এস এ আই অমদি এফ সি ইম্ফালগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

## ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ঃ
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী চহি ১৯ মখাগী নুপামচাগী ফুটবোল টিম শেম্নবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা য়াওনিংবা শান্নরোইশিং অদু ইং ১৯৯৯ গী জানুৱারী ১ নত্রগা মতুংদা পোকপা ওইগদবনি অমদি শান্নরোইশিংনা পোকপগী সার্টিফিকেট অমদি আধার কার্দ পায়গদবনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অসিন হায়রি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীদগী খঙলবা য়াগনি হায়না মখা তারক্লি।










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*